# কাস্মিরদা মেহবুবা মুফতিদা নুঙ থাজিল্লকখ্রে পিপলস দেম্মক্রেটিক পার্টিগী লুচিংবী অদু শোকহৌদ্রে

শ্রিনগর, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী)ঃ

কাস্মিরদা মীয়াম্না পিপলস দেম্মক্রেটিক পাটি (পিদিপি) লুচিংবী মেহবুবা মুফতিগী গাড়িদা নুঙ থাজিল্লকখ্রে। অদুবু মহাক অশোক অপনদি নংখিদ্রে।

থৌদোক অদু ঙসি জম্মু এন্দ কাস্মিরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। পুলিসকী পাউঅমনা মখা তারদুনা হায়খি মমাঙদা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্লবী মেহবুবা মুফতিদা নুঙনা থাজিল্লকপা থৌদোক অদুদা মশামক শোকহৌদ্রবসু মহাক্কী এস্কোর্টগাড়ি অদুদি অকায় অতোঁই কয়া নংখি।

মহাক খিরম খুঙ্গংদগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বিসবেহরা টাউন তম্না চৎপদা নুঙ লংশিল্লকপগী থাজিনবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। সিক্যুরিটিনা থৌদোক থোকফম অদু কোইশিন্দুনা মেহবুবাবু নাকল অমরোমদা থৈদোক্তুনা অশোইঅঙাম য়াওহন্দনবা হোৎনখি।

মহাক বিসবেহরাদা পিপলস দেম্মক্রেটিক পার্টিগী খোঙজংলোইশিংগী কনভেন্সন অদু অশোইবা য়াওদনা ৱা ঙাংননা য়ৌখি হায়রি।

ঙসি মেহবুবা মুফতিনা অনন্তনাগতা পাঙথোকখিবা মীখলগী মীফম অদু লোইরবা মতুং বিজেপিনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা তংদু লৈতাদবা মওং অমদা থম্নবা হোৎনরি হায়না মরাল শীখি।

মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা বিজেপিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ভোটমশিং হেন্না ফঙনবগীদমক বালাকোট এয়র ষ্ট্রাইক অদুগুম্বা এটেক অমসু চথনবা শেম শারি হায়না ফোঙদোকখি।

মেহবুবা মুফতিনা মখা তানা বিজেপিবু হুল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা শীংচেপ থাজিন্দুনা খৎনা চৈনবা থোকহল্লগা ভোট হেন্না ফংনবা লালোং শীল্লি হায়খি।

থা অসিগী ১১দগী হৌখিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা ফেজগী ভোট থাদনবা অদুদা বিজেপি চাওনা মায়থিবা নংগনি হায়না খঙখিবা মরম্না লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা মীয়াম্না মশাগী পুন্সি মরেলদা লৈতাদবা ফিভম অমদা থম্নবা শীল্লক্লিহায়খি।

হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিনা তাকপদি ভোট মশিং হেন্না ফংননবা মোদিনা বালাকোটকী থৌদোক অদুগুম্বা পাঙথোকপা য়ানা লৈরি হায়খি।

মোদিনা পায়খৎলকপা লালোং খুদিংমক মায় পাক্ত্রে। মরম অদুনা মহাকপু হেন্না পাম্নবগীদমক অমদি বিজেপিনা ভোট মশিং হেন্না ফংননবগীদমক পাকিস্তানদা এয়র ষ্ট্রাইক অমা চথনবা শেম শাবগী মওংদা লৈরি হায়খি।

পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টিগী লুচিংবী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা ঙসি ঙসিমক বিজেপিনা পায়খৎলিবা খোঙথাংশিং অসি ভোট হেন্না ফংনবগীদমক্তনি। পাকিস্তানদা এটেক তৌববু ওইরো, জম্মু এন্দ কাস্মিরদা হান্না লৈরম্বা ফিভমদা হেন্না চেকশিল্লকপগী মতাং য়াওরি।

বিজেপিগী লুচিংবশিং অকিবগী লায়ননা নারে। লৈবাক অসি সেক্যুলরিজমগী অৱাংবা থাক্তা লৈবা লৈবাক অমনি। মসিগী মায়োক্তা ৱা ঙাংলকপা পুম্নমক কোক্কী অনাবা লায়েংথোকপীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# কিলোমিটর ১,০০০ শান্না কাপ্পা ঙম্বা সব সোনিক ক্রুজ মিসাইল চাংয়েং তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী)ঃ

ওরিষাগী সমুদ্র মপালদা কিলোমিটর ১,০০০ শান্না কাপ্পা ঙম্বা সব সোনিক ক্রুজ মিসাইল ‘নির্ভয়’ মায় পাক্লনা চাংয়েং তৌখ্রে।

দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দিআরদিও)গী মখাদা লৈবা বেঙ্গালুরুগী এরোনোটিকেল দিভলপমেন্ট ইষ্টাব্লিসমেন্ট (এদিঈ)না মিসাইল অসি শেমগৎখিবনি। সব সোনিক মিসাইল অসিনা কনভেনস্নেল অমদি ন্যুক্লিয়র ৱার হেদশিং পুবা ঙম্মী।

সোলিদ রোকেট বুষ্টর শীজিন্নবা নির্ভয়না চপ চাবা মশাগী ৱাংফম থোকপা চাং হেক য়ৌবগা টর্বো ফেন ইঞ্জিন শীজিন্নদুনা পালহন্নিংবা টার্গেটতা চপ চানা পালহনবা ঙম্মী হায়রি।

রিছার্স সেন্টর ইমারট (আর সী আই)না শেমগৎপা ইন্নর্সিয়ল নেভিগেসন সিষ্টেমগী মতেং লৌরগা মিসাইল অসিগী মায়োন চুম্বা ঙম্মী। নির্ভয়দা রিং লেজর গাইরোস্কোপ (আরএলজি) য়াওবগা লোয়ননা কন্ট্রোল অমদি নেভিগেসন সিষ্টেমসু য়াওরি।

ইন্নর্সিয়ল নেভিগেসন সিষ্টেম (আইএনএস) অমদি জিপিএস সিষ্টেমসু য়াওবা মরম্না সব সোনিক ক্রুজ মিসাইল অসি অনৌবা মতমগা চুন্নবা মখলগী খুৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নবদা খুদোংচাগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

মিটর ৬ শাংবা মিসাইল অসিগী অপাকপা মিটর ০.৫৮নি। ৱিং স্পাননা মিটর ২.৭নি। কিলোগ্রাম ১৫০০ লুম্বা মিসাইল অসিনা মতাং মতমগী মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা মখলগী ৱার হেদ ২৪ পুবা ঙম্মী। তোপ তোপ্পা মওংদা শেমগৎপা মিসাইল অসিনা য়েক্লবগী টার্গেটতা চপ চানা পালহনবা ঙম্নবগী মতাংদা অনৌবা মতমগা চুন্নরবা টেক্নোলেজি কয়া মরুম শীজিন্নে হায়না দিআরদিওগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ওফিসল রিপোর্ট অমনা হায়, নির্ভয় মিসাইলগী মশা অনী পানবা মরম্না লৈমায়দগী কাপখৎখ্রবা মতুংদা মিটর ১০০দগীনা কিলোমিটর ৪ ফাওবগী চাংদা তোঙান-তোঙানবা অলটিট্যুটতা পায়বা ঙম্বী। করিগুম্বদা য়েক্লবনা খঙলোইদবা মওংদা রাদরনা দিটেকে তৌবা ঙমহন্দনবগী পান্দমদা য়াম্না নেম্না পায়বসু ঙম্মী হায়রি।

ইন্দিয়ান আর্ম ফোর্সতা হৌজিক হৌজিক ব্রহ্মোস মিসাইল শীজিন্নবগী মথক্তা নির্ভয় মিসাইল শীজিন্নবা মরম্না য়েক্লবগা লম্বা পাবদা খুদোংচাবা হেল্লগনি।

ব্রহ্মোস মিসাইলনা কিলোমিটর ৪৫০ ফাওবা শান্না কাপ্পা ঙম্লবসু নির্ভয়গী ওইনদি কিলেমিটর ১০০০ লাপ্পা মফমদা লৈবা টার্গেটতা ইরাই লাইনা পালহনবা ঙম্মী। বেঙ্গালুরুদা লৈবা এরোনোটিকল দিভলপমেন্ট ইষ্টাব্লিসমেন্টনা শেমগৎলিবা অনৌবা মখলগী মিসাইল অসিনা ইন্দিয়ান আর্ম ফোর্সকী মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি হায়রি।

# বিজেপিনা মীখলদা মায় পাক্লবদি চেং কেজিদা লুপা ১দা ফঙহনগনি ঃ ধর্মেন্দ্র প্রধান

ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী)ঃ

ভারতিয়া জনটা পার্টি (বিজেপি)না মীখলদা মায় পাক্তুনা ওরিষাদা লৈঙাক পায়বা থোক্লবদি চেং, হৱাই অমদি থুম কিলোগ্রাম অমদা লুপা ১দা ফংহনগনি হায়না য়ুনিয়ন পেট্রোলিয়ম মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধাননা ফোঙদোকখ্রে।

কটক দিষ্ট্রিক্টকী চৌদ্বারদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা করিগুম্বা বিজেপিনা লৈঙাক পায়বা থোক্লবদি নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি স্কিমগী মখাদা মীওই ক্রোর ৩.২৬তা চেং, হৱাই অমসুং থুম অহোংবা মমলদা ফংহনগনি।

নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (এনএফএসএ)গী মখাদা ওরিষা গভর্ণমেন্টনা হৌজিক হৌজিক মীয়ামদা চেং কিলোগ্রাম অমগী মমল লুপা ১দা ফংহল্লি। চেং কেজি অমগী অশেংবা মমল লুপা ৩০নি। ওরিষা গভর্ণমেন্টনা শুপ্নগী লুপা ২ খক পুথোক্লুগা অৱাৎপা শেনফম অদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুথোকপনি হায়রি।

মতৌ অসুম্না এনএফএসএগী মখাদা লৈঙাক্লা বেনিফিসরিশিংদা চেং কিলো অমগী মমল শুপ্নগী লুপা ১দা ফংহন্দুনা লাক্লি।

অনা লায়েংগী লমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, বিজেপিনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়বা থোক্লবদি হোস্পিটাল পুম্নমক মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমগৎপগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক্তা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি। লুপা ক্রোর লাক্ষ ১ থাদদুনা ঈথৈ লৌখোঙগী ফিভম ফগৎহন্দুনা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ওরিষাগী খোরদা দিষ্ট্রিক্টতা বিজেপিগী ৱার্কর অমা শীখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনাইকনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগী থৌওংবু গুন্তিরনা পিরাং শিন্থবগুম্বনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধাননা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মঙ্গুলি জেনা কৌবা বিজেপিগী ৱার্কর অমা মোটোর সাইকলদা লাকপা মীওই অনীনা পার্টি ওফিস মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

বিজেপি খোর্দা মন্দলগী প্রসিদেন্ট মঙ্গুলি জেনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধাননা হায়খি, বিজেপিগী মরু ওইবা থৌমী অমা শীখিবগী মতাংদা নোংমৈ মরুনা পাউখুম পীবগী মহুৎতা বেলোট পেপরনা মতিক চাবা পাউখুম পীগদবনি। ওরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পাটনাইকনা অৱাবা ফোঙদোকখিবদু গুন্তিরনা পিরাং শিন্থবগুম্বনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# মীরেপ শুনা থাগৎপা ঙমদবসি কোংগ্রেসকী অশোনবনি ঃ ইরানি

অমেথি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী)ঃ

উত্তর প্রদেশকী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮০ মক্তা মীরেপ থাদোকপা ঙমদবা হায়বসি কোংগ্রেসকী অশোনবনি হায়না য়ুনিয়ন টেক্সটাইলস মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা ফোঙদোকখ্রে।

অমেথিদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি য়ুপিদা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮০ লৈবগী মনুংদা কোংগ্রেসনা মীরেপ ২০দগী হেন্না থাদোকপা ঙমদ্রে। হন্দক্কী মীখল অসিদা মীয়াম্মা বিজেপিদা শৌগৎলগনি হায়বা চপ চানা খঙবদগী কোংগ্রেসনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮০দা মীরেপ থাদোকপা ঙমদবনি।

কোংগ্রেসনা হৌখিবা চহী ১৫দা চথখিবা থৌওংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা মীখল ময়াদা মীরেপচে পীশিনবা লাকপা নৎত্তনা অতৈ অতোপ্পা মতমশিংদা অমেথিগী মতাংদা মীৎকুপ অমা ফাওবা খন্থরুবা তৌদে।

মে ৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা করিগুম্বা মায় পাকপা থোক্লবদি অমেথিদা য়ুম শাদুনা মীয়ামগা পুন্না লৈমিন্নগনি হায়নসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীফম অদুদা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিবু মরাল শীরদুনা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা চহী ১৫ রোম কোংগ্রেসনা অমেথিগী য়াইফনবা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈখিদ্রি। রাহুল গান্ধিনা মীখল ময়াদা অমেথিগী মীয়াম্বু নুংশিবা শাদুনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিংদা থাজবা থম্বীগনু হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী লোক সভা মীখলদা রাহুল গান্ধিনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মায় পাকখিবনি।

রাহুল গান্ধিনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবী স্মৃতি ইরানিদগী ভোট লাক্ষ ১ রোম হেনখি। হন্দক্তি রাহুল গান্ধিনা কোংগ্রেসকী অকনবা মফমনি হায়না লৌনরিবা অমেথিদা মীরেপ ওইবগা লোয়ননা কেরলাগী ৱয়ানাদতসু মীরেপ ওইরি।

হিরম অসিগী মতাংদা ইরানিনা হায়খি, অমেথিদা মায়থিরগনি হায়বা খঙবদগী রাহুল গান্ধিনা ৱয়ানাদতসু মীরেপ ওইনা চোংথোকপনি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীমক্তা মহাক মায়থিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা লুপা ক্রোর ২৫০০ রোমগী য়ু, দ্রগনচিংবা ফাগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী)ঃ

লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙক্কী ভোট থাদনখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা লুপা ক্রোর ২৫০০ রোমগী য়ু, দ্রগ, সনা অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী মীখলগা য়েংনবদা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং ফাগৎপগী চাং হন্দক্লা শরুক অনীরোম হেনগৎলে। এজেন্সিগী পাউনা হায়, ইলেক্সন কমিসনগী ওবজাবরশিং, সর্ভিলেন্স টিম অমদি ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিনা এয়র পোর্ট, হায়ৱে, রেলৱে ষ্টেসন, হোটেল অমদি ফার্ম হাওসশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথদুনা পোৎলম কয়ামরু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

ইলেক্সন কমিসননা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রবসু মীখলদা মীরেপ ওইরিবা মীওই খরনা ভোটরশিংগী পুক্লিং চিংশিন্নবগী পান্দমদা ইলেক্সন ওবজর্ভরশিংনা খঙলোইদবা মওংদা

পোৎলম কয়া য়েন্থোকপগী মওং অমা উবা ফংলি হায়না এজেন্সিগী পাউনা ফোঙদোক্লি।

মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবা মীওই অমনা মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা লুপা লাক্ষ ৭০দগী হেন্না শীজিন্নবা য়ারোই হায়বা অথিংবা লৈবনা তোঙান-তোঙানবা মীরেপশিংনা ওবজর্ভরশিং খঙলোইদবা মওংদা পোৎলম কয়া মীয়ামদা য়েন্থোকপা হোৎনরি।

কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা ইলেক্সন কমিসননা তোঙান-তোঙানবা মফমদা লুপা ক্রোর ১২০০ রোমগী য়ু অমদি ময়াই কাবা পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখিবনি।

ইলেক্সন কমিসনগী স্পোক্স পার্সন সেফালি সরননা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টি খরনা মীয়ামদা শেল য়েন্থোকপদগী হেন্দোক্তুনা কিহন খঙহল্লগা মীওই কয়াবু মখোয় মখোয়গী মীরেপ্তা ভোট থাদহন্নবা হোৎনরি।

# মোস্কতা নুপী চঙহন্নবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী)ঃ

মোস্কতা নুপীশিং চঙলগা লাই খুরুম্বা য়াহনবীয়ু হায়না মুস্লিম মতে মনাও অমনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে।

মহারাষ্ট্রদা লৈবা য়াসমির জুবের অহমদ পিরজাদে অমসুং জুবের অহমদ পিরজাদেনা থাঙ্গৎলকপা পি আই এল অদু সুপ্রিম কোর্টনা হয়েং হিয়ারিং চথগদৌরি। সবরিমালা লাইশঙদা নুপী চঙবা য়াহনবীয়ু হায়না পি আই এল অমা ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা মুস্লিম মতে মনাও অসিনা মোস্কতসু নুপী চঙবা য়াহনফম থোকই হায়না সুপ্রিম কোর্টতা পি আই এল ফাইল তৌরকখিবনি।

পি আই এল অদুগী মতুং ইন্না নুপীশিংবু মোস্কতা চঙহন্দবা হায়বসি কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়রি। মুস্লিমশিংগী শেংলবা কুরান অমদি প্রোফেট মহম্মদনা লাইশঙদা নুপী চঙবা য়াদে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লম্বা লৈতে হায়নসু মতে মনাওনা কোর্টতা ৱাকৎখি।

পনবা য়াবদি, সুনি মুস্লিমশিংগী মোস্কতা নুপী চঙবা য়াদে হায়বা অথিংবা অমা লৈরিবনি। জমাত-ঈ-ইস্লামি অমসুং মুজাহিদ কাংবুগী মোস্কতদি নুপীশিং লাই খুরম্বা চঙবদা থোইদোক্লা অথিংবা লৈতে। কেরলাগী সবরিমালা লাইশঙদা নুপী চঙহন্দবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ২৮দা পীখিবা ৱায়েল অমনা হায়খি মদুদি লোর্দ অয়াপাগী লাইশঙদা চহী মতাং খুদিংমক্কী নুপীশিং চঙবদা অথিংবা পীফম থোক্তে। কুমজা ২০১৬গী মেদা ট্রুপতি দেসাইনা লুচিংবা কাংবু অমনা থাঙ্গৎলকপা পি আই এলগী ৱায়েলদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

Government of Manipur
Rural Engineering Department
Manipur State Rural Roads Development Agency
4th Floor, Secured Office Complex, AT Line, North AOC, Imphal, 795001

MEETING NOTICE
Dated: the 15th April, 2019

No. 13/9/2013-MSRRDA/ Meeting/ : This is for kind information to all concerned that a meeting to be chaired by the Chief Engineer, RED/MSRRDA with the bonafide contractors of PMGSY works in the state will be held on Saturday the 20th April, 2019 at 11.30 A.M. in the Conference Hall of the Department, 4th Floor, Secured Office Complex, North AOC, Imphal to discuss the following agenda:

Agenda:
1) Tendering related matters.
2) Stage-II Construction and related matters.
3) Misc. with the approval of the Chair.

All are requested to attend the meeting on time. Contractors may also nominate their respective authorised representatives.

Sd/- Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer cum E.O.
RED/MSRRDA, Imphal

HL-P/5343/16,17

HIGH COURT OF MANIPUR
AT IMPHAL

ADVERTISEMENT
Imphal, the 12th April, 2019

No.HCM/R-5/2019-Estt(II)/ Applications are invited online for filling up the following post in the Scale of pay as given against the posts by direct Recruitment from the Bar. Recruitment and conditions of service shall be governed by the Manipur Judicial Service Rules, 2005 as amended from time to time.

| Sl. No. | Name of Posts | Scale of Pay | No. of Posts *(Which may increase)* | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | UR | ST | SC | OBC (M) | OBC (MP) | TOTAL |
| 1. | Manipur Judicial Service Grade – I | Rs. 51550-1230-58930-1380-63070/- | 3 | 1 | 0 | 0 | 0 | 4 |
| 2. | Manipur Judicial Service Grade – I on adhoc basis *(co-terminus with 14th Finance Commission Award)* | | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |

Details along with the mode of application are available in the High Court website – http://hcmimphal.nic.in.

Important Dates:
- Opening of Online Registration and Submission of Application Form: 25.04.2019 (11:00 A.M.)
- Closing of Online Registration and Submission of Application Form: 16.05.2019 (4:00 P.M.)
- Download of Admit Card: 07.06.2019 (11:00 A.M.) onwards.

Sd/- W. TONEN MEITEI
REGISTRAR (JUDICIAL)
HIGH COURT OF MANIPUR

HL-B/5336/13,16

[illegible]/ওইনাম শাগৈগী পোক্লেন পোকপা/পোকপীগী চাকলোন কৎপগী পাউজেল

লাক্লিবা তাং ১৬-০৪-২০১৯ ইং, শজিবুগী ১২নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওইনাম শাগৈগী পোক্লেন পোকপা/পোকপী অনীগী চাক্লোন কৎপা অমদি হৈকৎ-লৈকৎ তমজগনি। মরম অদুনা অথাপ্পা অমদি অনকপদা লৈবীরিবা শাগৈচাশিংনা থৌরম অসিবু য়াওবিরনবা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা- ওইনাম শাগৈ ত্রষ্ট
ওইনাম শওম্বুং, ইম্ফাল বেরেজ মনাক
মোবাইল : 9615544928, 8974728952, 9856429497

HL-P/6140/13,14,16

[illegible]/JOB IN IMPHAL

ওফিসকী অহাংবা ফম ৫১গীদমক তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা Class X, XII পাস তৌরবা অমদি Graduate তল্লিবা মীওই (Male/Female) শিংদগী থবক্কী দরখাস্ত কৌজরি। মশাগী চহী ৩০গী মনুংদা লৈবা থবক তৌবিবা পাম্বা মীওইশিংনা এপ্লাই তৌবীবা য়াগনি। তোঙান-তোঙানবা পোষ্টকী মতুং ইন্না থাগী Income Rs. 10,000/- দগী Rs. 35,000/- ফাওবগী মনুংদা লৈগনি। Deposit লৌজরোই। অথাপ্পা মীওইশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Apply তৌবীবা পাম্বীবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Bio-data গা লোয়ননা ওফিসতা তানবীয়ু।

**Visiting Hr : 12 noon to 3 p.m.**

***Contact : 8014170652***
***or 8414834122***

HL-P/3944/9,11 &16

THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL
MANTRIPUKHRI : MANIPUR

NOTICE INVITING SEALED RATE QUOTATIONS
Imphal, the 12th April, 2019

No. HCM/C-46/98-A&E/II/ Tender in the prescribed format duly filled and sealed addressed to the undersigned are invited from the reputed firms for supply of original PRINTER CARTRIDGES/TONNER (HP 88(A), HP 78 (A), HP 12 (A), Canon Cartridge 103/303/703, 925, 328, 326, 337, Epson L805 ink (6 colours set), Ricoh tonner 1230D, 2501S, Gestetner Ink (CPI-10 & DX-2430, Gestetner- copy master (CPI-10 & DX2430 and Ricoh Colour Tonner Cartridge to this Registry. The quotation papers shall be received by this Registry upto **11.00 a.m. of the 27th April, 2019** and the sealed quotation papers shall be opened on the same day at 1.00 p.m. in the presence of the quotationist(s), if any. The rates should be quoted clearly inclusive of all other charges like GSTs etc.

The quality, name of the brand and company's prescribed warranty period shall be mentioned clearly.

Right to accept any offer and reject the lowest rates or all the quatation papers received is reserved without assigning any reason thereof.

Tender documents indicating full details may be collected from the office of the undersigned on any working day between 10.00 a.m. to 3.00 p.m. upto 20th April, 2019.

Sd/- Registrar General
High Court of Manipur

HL-P/5340/16

[illegible]/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate cum Marksheet of Class X, 2015 (CBSE) bearing Roll No. 3143108 and Class XII, 2017 (CBSE) bearing Roll No. 3640170 on the way between Koirengei Bazar and Mantripukhri on 10/04/2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Soram Taibanganba Meitei
Koirengei Bazar, # 8414830979

HL-P/3983/16

THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL
NOTICE INVITING SEALED RATE QUOTATIONS
Imphal, the 12th April, 2019

No. HCM/S-64/84-A&E (XI)/ Sealed rate quotation addressed to the undersigned are invited from the reputed firms for supply of STATIONERY ARTICLES to this Registry during the year, 2019-20. The quotation shall be received by this Registry upto 12:00 noon of the 27th April, 2019 and the sealed quotations shall be opened on the same day at 2.00 p.m. in the presence of the quotationist(s), if any. The rates shall be quoted clearly inclusive of all other charges like GSTs etc.

The quality, name of the brands and number of sheets (in case of papers) of the stationery articles shall be mentioned clearly.

Right to accept any offer and reject the lowest rates or all the quotation papers received is reserved without assigning any reason.

Detailed proforma of the stationery items can be had from the office of the undersigned on all working days.

Sd/- Registrar General
High Court of Manipur

HL-P/5338/16

THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL
MANTRIPUKHRI : MANIPUR

NOTICE INVITING SEALED RATE QUOTATIONS
Imphal, the 15th April, 2019

No. HCM/C-51/2012-CC/Pt.III/ Tender in sealed rate quotation addressed to the undersigned are invited from the reputed firms for supply of **10 (ten) nos. each of Desktop PC, Multi Function Duples Laser Printer, UPS 600 VA, USB Keyboard, USB Mouse, Wifi Router, Pendrive and 20 (twenty) nos. of Power Extension Cord** to this Registry. The quotation papers shall be received by this Registry upto **11.00 a.m. of the 27th April, 2019** and the sealed quotation papers shall be opened in the same day at 2.00 p.m. in the presence of the quotationist(s), if any. The rates should be quoted clearly inclusive of all other charges like GSTs etc.

The technical specification of the above hardwares may be collected from this registry and the name of the brand and company's prescribed warranty period shall be mentioned clearly. The quantity of the product may vary.

Right to accept any offer and reject the lowest rates or all the quotation papers received is reserved without assigning any reason thereof.

Sd/- Registrar General
High Court of Manipur

HL-P/5339/16